

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, FEBRUARY 04, 2018 **PAGE 7**


*চহী ১৯ মখাগী আইসিসি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থিবা পীবদা বোল ১০২ দা রন ১০১ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বেটস্‌মেন মঞ্জোট কলরা*

*পিজিটিআই কোচিন মার্ষ্টর্স ট্রোফি গোল্ফ টুর্নামেন্টতা মশাগী অহানবা গোল্ফ টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেঙ্গালুরুগী গোল্ফর সায়িদ সকিব অহমদ*

## ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



*ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ১৯ মখাগী আইসিসি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মাউন্ট মৌঙান্যুই, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী নুপাগী ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা য়াম্না খুদুম চন্না মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

চহী ১৯ মখাগী আইসিসি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ৫০ গী ইন্নিংস অদুদা মপুং ফানা শান্নবা ঙমদনা ওভর ৪৮ গী অনীশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ২১৬ লৌরগা টিম অদুগী ইন্নিংস লোইশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম্না ইন্দিয়াগী টিমগা ফাইনেল লম্বা তৌনবা অদুদা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌদুনা শান্নরকপদা ওপনর জেক এদৱার্দর্স অমসুং মেক্স ব্রাইন্টনা ওভর ৫ শান্নবা লোইশিনখিবদা রন ৩২ লৌখি।

ব্রাইন্ট রন ১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মতুং শিল্লকখিবা জেসন সঙ্গানা হান্নগী ওপনর জেক এদৱার্দর্সকা মখা তাবা ইন্নিংসকী স্কোর পুখৎলকপদা রন ৫২ শুরকবদা ওপনর এদৱার্দর্স মশাগী রন ২৮ দা আওট ওইখি।

মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমগী বেটসমেন অনী রন ৩২ দা আওট ওইখি।

এদৱার্দর্সকী মতুং শিল্লকখিবা জোনাথন মেরলোনা কেপ্টেন জেসনগা শান্নমিন্নবদা অচৌবা স্কোর থম্মবা হোৎনবা অদু লাইবক থিবদগী জেসন আওট ওইখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিম অদুগী অহুমশুবা ৱিকেট রন ৫৯ দা তুখি।

জোনাথন মেরলোনা মখা তানা য়াম্না ফজবা মওং দা ইন্দয়াগী বোলরশিং অদু মায়োক্লদুনা শান্নরকপদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু টিম অদুগী মঙাশুবা বেটসমেন পরম উপলগা শান্নমিন্নবদা রন ১৩৪ য়ৌখি। মতম অদুদা ওপল মশাগী রন ৩৪ দা আওট ওইদুনা নেথন শান্নবা চঙলকখি।

নেথন অমসুং জোনাথন মেরলোনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শান্নরকপদা রন ৪৪ হাপচিল্লগা নেথন মশাগী রন ২৩ দা আওট ওইখি।

নেথনগী মতুং শিল্লকখিবা ৱিল সুদরলেন্দ চঙলকপগা রন ৫ লৌরবা মতুং আওট ওইখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম অদুগী স্কোর ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯১ লৌরগা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই জোনাথন মেরলো মশাগী রন ৭৬ লৌরগা ৪৬শুবা ওভরদা আওট ওইখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শুবা ঙমদনা ৪৮শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২১৬ লৌদুনা ইন্নিংস লোইশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বোলরশিং চাংচৎতা ফজবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইসান্ট পোরেল, সিব সিংহ, কমলেস নাগরকোতি অমসুং অনুকুল রোয়না ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ২ /২ আওট তাহন্দুনা বোলরশিংগী ওইবা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স থস্না ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা লৌরম্বা রন ২১৬ অদুদগী রন অমা হেল্লগা ইন্দিয়াগী টিম্না রন ২১৭ কী টার্গেট ওভর ৩৯গী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ২২০ লৌদুনা ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড কপকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

চহী ১৯ মখাগী আইসিসি ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়ানা লৌরম্বা রন ২১৬ অদুদগী হেন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনরকখিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংনা য়াম্না কোম্না ওভর ৫০ গী মেটচ অদুগী ৩৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ২ তুরগা রন ২২০ লৌদুনা ৱার্ল্ড অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন পৃথিবী সো মঞ্জোট কায়রানা ইন্নিংস হৌদোরকখি। খোঙজেল য়াঙনা রন লৌদুনা ওভর ১১ দা রন ৭০ য়ৌরগা মায় পাকপগী লম্বেল অদু তেনশিনহনখি।

ইন্নিংসকী ১২শুবা ওভরগী মরিশুবা বোলদা কেপ্টেন পৃথিবী সো রন ২৯ দা আওট ওইদুনা সুবমান গিলনা মতুং শিল্লকখি। গিল অমসুং ওপনর মঞ্জোট কৈরানা য়াম্না ফজবা ইন্নিংস শান্নরক্লুনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৬০ হাপচিল্লগা অপুনবা স্কোর ১৩১ য়ৌরকপদা গিল মাশাগী রন ৩১ দা আওট ওইখি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী মরিশুবা বেটসমেন হর্বিক দেসাইনা ওপনর মঞ্জোট কায়রাগা মখা তানা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস শান্নরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিং অদুবু ইৱা ৱাদনা মায়োক্লদুনা মায় পাকপগী স্কোর ২১৭ অদুগী হেন্দোক্লগা ৩৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা রন ২২০ লৌবা ঙমদুনা চহী ১৯ মখাগী আইসিসি ৱার্ল্ড কপ কিঅকেট টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর মঞ্জোট কায়রা আওট ওইদনা বোল ১০২ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ১০১ লৌদুনা লৈখি।

## তামিল নাদুগী সুমাথিরা বালাকৃষ্ণনা নুপীমচাগী মিটর ৪০০ গী গোল্ড লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ঃ*

ন্যু দিল্লিনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা অহানবা ইন্দিয়াগী স্কুলশিংগী নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমসকী ঙসি লম্বা তৌনখিবা নুপীমচাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা তামিল নাদুগী সামাথিরা বালাকৃষ্ণননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

তামিল নাদুগী শান্নরোইসুমাথিরা বালাকৃষ্ণননা ঙসিগী মিটর ৪০০গী নুপীমচাগী লমজেল অদুগী মাওইননা মহাক্কী টিমমেট এম কোসালিয়া, ষ্টেফি ওলিম্বা অমসুং ভি লেখাগী টিম্না মিটর ৪০০ গী রিলে লমজেলগী গোল্ড লৌখিবনি। মহাক্না ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্দিভিজুয়েল মিটর ৪০০ গী লমজেলদা সেকেন্দ ৫৬.৩৯ দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

তামিল নাদুগী সুমিথিরানা গোল্ড মেডল লৌখিবা মিটর ৪০০ নুপীমচাগী লমজেল অদুদা মহারাষ্ট্রগী টাই বামহাননা সিলভর অদুগা কেরলাগী এএস সন্দ্রানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীমচাগী হেমর থ্রো ইভেন্টতা দিল্লিগী হার্সিতা সেহাৱাটনা মিটর ৫৮.৫৩ লংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা হরিয়ানাগী আস্বেরানা সিলভর অদুগা দিল্লিগী ভুমিকানা ব্রোঞ্জ ফংখি।

নুপীমচাগী মিটর ৪ X ১০০ গী রিলেদা কেরলাগী টিম্না গোল্ড, মহারাষ্ট্রনা সিলভর অমসুং দিল্লিনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

কাঙলুপ অসিগী ৪ X ৪০০ মিটর রিলেগী ফাইনেলদা তামিল নাদুগী টিম্না গোল্ড, কেরলাগী টিম্না সিলভর অমসুং দিল্লিগী টিম্না ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

নুপীমচাগী কম্পিটিসনগী মনুং চনবা মিটর ৩০০০ গী ৱার্ক রেসতা উত্তরখন্দগী মান্সি নেগীনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। উত্তরপ্রদেশকী মুনিতা প্রজাপথিনা সিলভর অদুগা মণিপুরগী এঠলিট অঙোম রানিসা দেবীনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

এঠলেটিক্সকী নুপামচাগী কাঙলুপ্তা মিটর ৪০০ গী লমজেলদা অন্ধ্র প্রদেশকী ধনুসকুমার গান্ধিনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা তেলঙ্গানা এঠলিট দি স্রিকান্থনা সিলভর অদুগা কেরলাগী অতোপ্পা টি কে সায়ুসনা ব্রোঞ্জ ফংবা ঙমখি।

নুপামচাগী পোল ভোল্ট ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রগী রাকেস গোননা গোল্ড মেডল ফংলগা উত্তর পত্রদেশকী দিবক যাদবনা সিলভর মেডল ফংখি। অদুবু অতোপ্পা য়ুপিগী এঠটিল সন্দিপ কুমারনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমসকী নুপামচাগী হেমর থ্রো ইভেন্টকী ওইনা উত্তর প্রদেশকী য়াদবনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। ষ্টেট অদুমক্কী অপসার অহমদনা সিলভর মেডল লৌরগা পঞ্জাবগী পরন দেসৱালনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি।

নুপামচাগী মিটর ৪ X ১০০ রিলে লমজেলদা মহারাষ্ট্রগী টিম্না গোল্ড মেডল ফংরগা কেরলাগী টিম্না সিভলর লৌখি। অদুগা তামিল নাদুগী টিম্না ব্রোঞ্জ ফংবা ঙমখি।

নুপামচাগী রিলে লমজেলদা কেরলাগী টিম্না গোল্ড মেডল ফংলগা তামিল নাদুগী টিম্না সিলভর ফংখি। অদুগা মহারাষ্ট্রগী টিম্না ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

নুপামচাগী মিটর ৫০০০ গী ৱাক রেসতা উত্তরখন্দগী পরমজিট সিং বিসনা গোল্ড মেডল লোয়ননা ষ্টেট অদুগী অতোপা এঠলিট মুকেস কুমারনা সিলভর অদুগা দিল্লিগী হর্সনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমসকী স্বিমিংগী দিসিপ্লিনগী নুপামচাগী লম্বাদা মিটর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রগী নিল রোয়না গোল্ড মেডল, কর্নাতকাগী সিরি হরি নাতাজনা সিলভর অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী রাজদিসপ রোয়না ব্রোঞ্জ লৌখি।

স্বিম্মিংগী মিটর ৮০০ গী ফ্রিষ্টাইলগী ইভেন্টতা মধ্য প্রদেশকী অদবেদ পাগেনা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা দিল্লিগী অরিয়ান ভোসালেন সিলভর ফংলগা অতোপা দিল্লিগী স্বিম্মর অনুরাগ সিংহনা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

নুপামচাগী মিটর ২০০ গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা কর্নানকাগী স্রিরি হরি নতরাজনা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা গোৱাগী স্বিম্মর জেবিয়র মিচল দিসুজানা ফংলগা ব্রোঞ্জ অদুনা মধ্য প্রদেসকী আদবেদ পেজিনা লৌখি।

নুপামচাগী মিটর ২০০ গী ইন্দিভিদিজুয়েল মেদলে ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রাগী নিল রোয়না গোল্ড ফংখিবদা মধ্য প্রদেসকী আদবেদ পেজিনা সিলভর ফংলগা দিল্লিগী স্বাদেস মোন্দলনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগী মিটর ৪ X ১০০ মেদলে রিলে লমজেলদা কর্নারতকাগী টিম্না গোল্ড, দিল্লিগী টিম্না সিলভর অদুগা তামিল নাদুগী টিম্না ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমসকী অহৌবা চহীগী কম্পিটিসনদা নুপীমচাগী স্বিম্মিংগী মিটর ৫০ ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রাগী কেনিসা গুপ্তনা গোল্ড ফংলগা দিল্লিগী সিবাঙ্গি শর্ম্মনা সিলভর অদুগা দিল্লিগী অতোপ্পা স্বিম্মর এনি জেননা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীমচাগী মিটর ২০০ গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা কর্নাতকাগী সুভানা ভাস্করনা গোল্ড দিল্লিগী তনিসা মালভিয়ানা সিলভর অদুগা উরিষাগী প্রতিয়াসা রোই ব্রোঞ্জ ফংখি। নুপীমচাগী মিটর ২০০ গী ইন্দিভিজিয়ুএল মেদলেদা মহারাষ্ট্রাগী কেনিসা গুপ্তনা গোল্ড, কর্নাতকাগী সুবানা ভাস্করনা সিলভর অদুগা য়ুপিগী অলিয়া সিংহনা ব্রোঞ্জ ফংখি। লোয়ননা নুপীমচাগী মিটর ৪X১০০ মেদলে রিলেদা দিল্লিগী টিম্না গোল্ড, কর্নাতকানা সিলভর অমসুং মহারাষ্ট্রনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমসকী অহৌবা চহীগীকম্পিটিসনদা ঙসি পাঙথোকখিবা রেষ্টলিগী নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা কেজি ৪০ গী কেটেগোরিদা হরিয়ানাগী নিলমনা গোল্ড, গুজরাটকী ভাভিকা পটেলনা সিলভর অদুগা হরিয়ানাগী মনুজ অমসুং কর্নাতকাগী গোপাভানা ব্রোঞ্জ ফংখি।

কেজি ৪৬ কী কাঙলুপ্তা হরিয়ানাগী হানি কুমারীনা গোল্ড কর্নাতকাগী জোতি গাদিনা সিলভর অমসুং দিল্লি অমদি মহারাষ্ট্রগী সোনালিনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা মহারাষ্ট্রগী ভাগেশ্বরী ফননা গোল্ড, হরিয়ানাগী সঙ্গিতানা সিলভর অমসুং পঞ্জাবগী জসৱিন কোর অমদি দিল্লিগী সিবানিনা ব্রোঞ্জ ফংখি।


নুপামচাগী রেষ্টলিগী কম্পিটিসনদা কেজি ৪৬ কী কাঙলুপ্তা দিল্লিগী সুনিলনা গোল্ড মেডলফংলগা হরিয়ানাগী রোহিটনা সিলভর ফংখিবনি। অমরোমদা হরিয়ানাগী অতোপা রেষ্টর রোনক সিংহ অমদি মধ্য প্রদেসকী রোহিট পটেলনা ব্রোঞ্জ ফংমন্নখি।

নুপামচাগী রেষ্টলিংগী ফ্রি ষ্টাইলগী কেজি ৫৪ গী কাঙলুপ্তা দিল্লিগী রোহিট দাহিয়ানা গোল্ড মেডল ফংলগা পঞ্জাবগী জস্পির খটরনা সিলভর অদুগা উত্তর প্রদেশকী মনোজ টিৱারী অমসুং কর্নাতকাগী সি সুনিলনা ব্রোঞ্জ ফংমিন্নখি। অদুগা কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা হরিয়ানাগী অকাস সাহিয়ানা গোল্ড মেডল ফংলগা দিল্লিগী আসিসনা সিলভর লৌখিবনি। অদুগা চান্দিগরগী সনি অমসুং উত্তর প্রদেশকী মুলায়ম সিংহনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

নুপামচাগী গ্রেকো রোমান দিসিপ্লিনগী কেজি ৪৬ কী কেটেগোরিদা উত্তর প্রদেসকী আর্সদনা গোল্ড মেডল ফংখি। মহারাষ্ট্রগী রোহন বোসালেনা সিলভর অদুগা হরিয়ানাগী ললিৎ কুমারনা ব্রোঞ্জ ফংমিন্নখি।

কেজি ৫৪গী কাঙলুপ্তা য়ুপিগী অনুপ কুমার অমসুং মহারাষ্ট্রগী পার্থ কন্দারেনা গোল্ড অমসুং সিলভর ফংখি। অদুগা উত্তরখন্দগী অমদি পঞ্জাবগী সমসেরনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৬৩ গীদা য়ুপিগী রাহুলনা গোল্ড ফংলগা হরিয়ানাগী দিল ফোগৎনা সিলভর লোয়ননা দিল্লি পঞ্জাবগী সোনু অমদি জসমন্ট জোটনা ব্রোঞ্জ ফংমিন্নখি।

খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমসকী নুপামচাগী রেষ্টলিংগী গ্রেকো রোমান ইভেন্টকী কেজি ৭৬ কী কাঙলুপ্তা দিল্লিগ রেষ্টলর বরুননা গোল্ড ফংলগা মধ্য প্রদেশকী অক্ষ্য রাথোরনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখিবনি। অদুগা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অনী অদুনা উত্তর প্রদেসকী হরিওং অমসুং পঞ্জাবগী ধনেশ্বর সিংহ ৱারনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংমিন্নখি।




*খেলো ইন্দিয়া গেমসকী নুপীগী মিটর ৪০০ গী গোল্ড ফংখ্রবী সুমাথিরা*

## জিরি কপ ইনভাইটেসনঃ রাউনা মঙ্গোলোইদ ক্লবপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৩ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী প্লেগ্রাউন্দা মপাল ষ্টেটকী টিমশিং য়াওনা পুন্না টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা শান্নরিবা ১২শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দ মেটচ অসিদা রাউ (ইম্ফাল ইষ্ট) না মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েন, কছারবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দ ষ্টেজতা এ আর সি সিল্লোং অমদি এএফসি থৌবালগা শান্নরগনি।



ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দা রাউ অমদি মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েন না শান্নখি। রাওনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েনা বোল কাওবা হৌখি। বোল হেক হৌবগা মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েনগী শান্নরোই লালরিংসান না ২শুবা মিনট গোল ১ চন্দুনা একাউন্ট হোংদোকখি অদুগা রাউ (ইম্ফাল ইষ্ট) গী শান্নরোই চানসো না ১৬শুবা মিনটতা লুগৌলেন কোগিয়ানা ২২শুবা মিনটতা গোল অনী চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মাঙদা রাউ (ইম্ফাল ইষ্ট) না মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েনদগী গোল ২–১ ওইদুনা মাংজিন থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নখি অদুবু অরোইবা মতমদা রাউ (ইম্ফাল ইষ্ট) কী শান্নরোই জিরেমনা ৯০ প্লাস ৩ শুবা মিনটতা গোল অমুক চন্দুনা অপীবা মতম ফাওবদা মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েন টিমনা গোল মখা তানা চনবা ঙমদবদগী রাউ (ইম্ফাল ইষ্ট) না মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েনবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌবা তাখি।

রেফরিনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েনগী শান্নরোই অব্রহমবু ১৫শুবা মিনটতা লালরিংসনবু ৩০ শুবা মিনটতা ইমনুএলবু ৪৬শুবা মিনটতা অদুগা মঙ্গোলোইদ ক্লব মারখোলিয়েনগী শান্নরোই দব্লিউ ইবোয়াইমাবু ৪১শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী শান্নখিবা মেটচ অসি সুরেস সিংহ, এস তোম্বী সিংহ, টি হেমান্তা অমদি জোয়েল ভোলটৈনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

## ইন্দিয়াগী প্রনব অমসুং সিকি মায়থিহৌরে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৩ঃ*

ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা য়ু এস এ দোল্লর ৩৫০,০০০ কী শেলগী মনা লৈবা ইন্দিয়া ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন্দ সিকি রেরি মায়থিহৌরে।

ইন্দিয়াগী জেরি চোপ্রা অমসুং সিকি রিরিনা ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী সেমি ফাইনেলদা দেনমার্ক্কী মাথিয়াস খৃষ্টিয়ান সেন অমদি খৃটিনা পেদরসনগী মখুৎতা মায়থিখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ৮শুবা সিদেদ পিয়র ওইখিবা ইন্দিয়াগী চোপ্রা অমদি রেদি দেনমার্ক্কী পেয়র অদুগী মখুৎতা ১৬–২১, ১৯–২১ দা মায়থিবা নঙখি।

পনবা য়াই দেনমার্ককী পেয়র অদুনা মমাঙ চহিগী কম্পিটিসন কয়াদা ফজবা ঙমদুনা চেন্না ওপন অমসুং হোং কোং ওপনদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্ট টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেলদা চাইনাগী সি জুকিনা চাইনিস তাইপেগী চৌ তিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি।

তাইনিস তাইপেগী চেননা চাইনাগী কিয়াও বিনবু ২৩–২১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা চাইনাগী সি জুকিনা মালেসিয়াগী স্কান্দর জুলকারনেলবু ১৮–২১, ২১–১০ , ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## মোহন বগান মায় পাকখ্রে, আইজোল অমসুং চেন্নাই দ্রো চৎখ্রে

*শিল্লং। চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ০৩ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মোহন বগাননা শিল্লং লাজোংবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা চেন্নাই সিটি এফসি আইজোল এফসি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

শিল্লং লাজোং অমসুং মোহন বগাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা খরা মান্নরল্লবা মতুং শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা এ দিপান্দনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মোহন বগাননা শিল্লং লাজোংবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৮৬শুবা মিনটতা মোহন ব গানগী শান্নরোই এ মোগ্রাবিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই এস ফাইয়াজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মোহন বগাননা শিল্লং লাজোংবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফসি অমসুং আইজোল এফসি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা কোবায়াসিনা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফকী ৭৩শুবা মিনটতা ব্যাটিননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।